# লৈবাক্কী থাজবা মাঙহনবশিং মকোক কেল্লহনগদবনি - টর্কিগী প্রসিডেন্ট রেসেপ টায়ীপ ইর্দোগন

অঙ্কারা (টর্কি), জুলাই ১৬ (এজেন্সি): টর্কিদা কূ পাওথোক্লবা হোৎনবদা মায়থিখিবগী থৌদোক চহী অমা ফারকপগী নীংশিং থৌরমশিং হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা পাওথোকখ্রে। লৈবাক পূম্বা অমৎতা ওইনা লেপ্পি হায়বা উৎলদুনা লৈবাক শিনথুংনা রেল্লিশিং পাওথোকখি অমসুং প্রসিডেন্ট রেসেপ টায়ীপ ইর্দোগননা লৈবাক্কী থাজবা মাঙহনবশিং মকোক কেনগনি হায়না অকনবা চেকশিনৰা পীখি।



টর্কিগী ওথোরিটিশিংনা জুলাই ১৫ বু ডিমোক্রেসি অমসুং লৈবাক্কী অপূনবা শক্তম উৎপগী নুমিৎনি হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা মীয়াম্না থাগৎপা গভর্ণমেন্টবু ফোর্স শীজিন্নদুনা চিংথুনবা হোৎনবদা মায়থিবা নংখিবদুবু পুৰারীদা লৈহৌরগদবা টর্কিগী ডিমোক্রেসিগী অচৌবা মায় পাকপনি হায়না ফোঙদোকখি।

নুমিৎসিবু নীংশিংবগী মরু ওইবদু মীয়ামদা মমুৎ তানা খঙহন্নবগী পান্দমদা মরু ওইবা প্রোগ্রাম অমা ওইনা প্রসিডেন্ট ইর্দোগননা কেপিটেল অঙ্কারাদা পার্লিয়ামেন্টগী অখন্নবা সেসন অমদা শরুক য়াখি, ইষ্টানবুলগী মীয়ামগী ওইবা রেল্লিদা ৰা ঙাংখি। ইষ্টানবুলদা পাওথোকপা রেল্লিদুদা ৰা ঙাংখ্রবা মতুংদা মহাক্না পার্লিয়ামেন্টগী মপান্দা পাওথোকপা রেল্লি অমগীদমক অমসুং প্রসিডেন্টগী পেলেসকী অখন্নবা থৌরম অমদা শরুক য়াননবা কেপিটেলদা অমুক হন্না পাইশিল্লকখি।

কূদা শরুক য়ারিবা কাওবুশিংগা কন্না লান শোক্লখিবা মরু ওইবা মফম ওইখিবা ইষ্টানবুলগী বোসফরস থোংদা পূল্লিবা মীওই লীশিং চা কয়াদা ৰা ঙাংলদুনা ইর্দোগননা লৈবাক অদুদা শিবগী চৈরাক অমুক হন্না চৎনহল্লকপা য়াই হায়না চেকশিনৰা হায়খি।

মরাল লৈবশিংবু হাৎপা হৌনবা পার্লিয়ামেন্টনা বিল অমা হেক্তা পাস তৌরকপদা মহাক্না সাইন তৌনবা শেম-শাদুনা লৈ হায়বা ৰাফম নৌহৌননা পনবগা লোয়ননা ইর্দোগননা হায়খি, ''অহানবদা ঐখোয়না লৈবাক্কী থাজবা মাঙহনবশিংগী মঙক কক্কনি।''

অমরোমদা কুমজা ২০০৪ দা টর্কিনা মুখৎখ্রবা শিবগী চৈরাকপু অমুক হন্না চৎনহনবা হায়বসিনা অঙ্কারানা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী মেম্বর ওইনবা হোৎনরিবদু অরেম্বা তাহনগনি হায়রি।

ইর্দোগননা অসুম্নসু হায়খি মদুদি, মায় পাকখিদ্রবা কূ অদুদা শরুক য়াখি হায়বগী মরালদা ৰায়েল চথরিবা মীওইশিং অদু গ্বান্টানামো বেদা লৈরিবা য়ু এসকী মিলিটরি জেলদা শীজিন্নখিবা মালেম্না হঙ্গোইনখিবা কোমলা মচুগী জম্পসুটশিংদুগুম্বা য়ুনিফোর্ম ফিজোলশিং শেৎহনগদবনি। 'মখোয়না কোর্টতা থোক্লকপা মতমদা মখোয়না মখোয়বু গ্বান্টানামোদা উখিবা য়ুনিফোর্ম সুটশিংদু মান্না উহনসি' হায়না ইর্দোগননা তিল্লিবা মীয়ামদা হায়খি। ইর্দোগনগী ৰাফমদুদা তিল্লিবশিংদুনসু হরাওবা উৎখি।

মহাক্কী সপোর্টরশিংনা 'ঐখোয় টায়ীপ (ইর্দোগন) গী লান্মীশিংনি' হায়না লাউখি। মখোয় খরদি শিবগী চৈরাক চৎনহনবদা শৌগৎপা উৎপগী খুদম ওইনা 'থৌরী কোঙ্গোইশিং উৎখি। তুংদা অঙ্কারাদা লৈবা কূ পাওথোক্লবা হোৎনখিবা নুমিৎকী অহিংদুদা ৰারপ্লেনশিংনা বোম থাদখি। পার্লিয়ামেন্টগী মনাক্তা মীওই লীশিং কয়াদা ৰা ঙাংলদুনা ইর্দোগননা 'ঐখোয়গী লৈঙাক্না মালেম পূম্বদা ঐখোয় করম্বা লৈবাক্নো হায়বদু জুলাই ১৫ দা উৎখ্রে' হায়খি।

# ওষ্ট্রেলিয়ানা চাইনাগী লৈখিদ্রবা নোবেল লোরিয়েট লিয়ু সিয়াওবোগী লোয়নবী থাদোক্লবা তকশিনখ্রে

কানবেরা, জুলাই ১৬ (এজেন্সি): চাইনাগী নোবেল পিছ প্রাইজ ফংখ্রবা ডিসিডেন্ট লিয়ু সিয়াওবোগী হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থম্লিবা লুখ্রাবী ওইহৌরবী লোয়নবীবু থাদোক্লবা ওষ্ট্রেলিয়ানা ঙসি চাইনাদা তকশিনখ্রে। চাইনিজ ডিসিডেন্ট লিয়ু সিয়াওবো হৌখিবা চয়োলদা জেলদা লৈনা লৈনা লিভর কেন্সরনা নাদুনা শিখিবনি। মশাগী চহী ৬১ শুরবা চাইনাগী ডেমোক্রেটিক ঈহৌগী লূচিংবা লিয়ু সিয়াওবো হৌখিবা ২০০৯ দা ষ্টেট পৱারবু শিংনদুনা ঈৰাং হৌনবা শিনবা মওংদা 'চারটর ০৮' হায়না খঙনবা পিটিসন অমা ইবদা মতেং পাংখিবগীদমক্তা চহী ১১ জেলদা থম্বগী চৈরাক পীখিবনি।




মহাক্কী লোয়নবী লিয়ু সিয়া হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা মহাক্কী হকচাং শোকচিল্লক্তুনা হোস্পিটালদা লৈরিঙৈদা মপুরোইবগী মনাক্তা লৈখিবনি। তৌইগুম্বসুং মহাক্কী মপুরোইবনা হৌখিবা ২০১০ দা নোবেল পিছ প্রাইজ ফংখিবদগী মহাকসু ময়ূমদা ফাজিন্দুনা থম্লকখি।

'লিয়ু সিয়ানা মপান্দা চৎথোক চৎশিন তৌবদা অথিংবা থম্লিবদু লৌথোক্লবা অমসুং মহাকপু ময়ূমদা ফাজিন্দুনা থম্লিবদুদগী থাদোক্লবা ঐখোয়না চাইনিজ গভর্ণমেন্টতা অপীল তৌরি' হায়না ফোরেন মিনিষ্টর জুলি বিমোবনা ওষ্ট্রেলিয়ন ব্রোদকাষ্টিং কোর্পতা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা নোর্থ ইষ্টর্ন সিটি সেনিয়াংদা ঝাং কিয়াং কৌবা চাইনিজ ওফিসল অমনা হায়খি মদুদি, লিয়ুগী লুখ্রাবী ওইহৌরবা লোয়নবী লিয়া সিয়া হৌজিক মনীং তম্না থাদোক্লে। চাইনিজ সিটিজন অমা ওইনা মহাক্কী রাইটশিং ঙাক শেনগনি। তৌইগুম্বসুং মহাক কদায়দা লৈবগে হায়বদুদি ওফিসল অসিনা ফোঙদোকখিদে।

ওষ্ট্রেলিয়াগী ৰারোল অসিনা চাইনাবু খোইরাং খোইশাওহনবা য়াই অমসুং মতম অমদা হেক্তা শাওনরকপা য়াবা ওষ্ট্রেলিয়াগা চাইনাগগী মরীদা মৈশা হেন্না লাংহল্লকপা য়াই হায়রি। লিয়ু সিয়াওবোগী মরমদা ৰাফম কয়া ফোঙদোকখিবা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংগী মায়োক্তা চাইনানা য়ানিংদবা উৎখিবা কয়া লৈখ্রে।

চাইনাগী খ্বাইদগী চাউবা লল্লোন ইতিক্কী পার্টনর অমা ওইনা হৌজিক ওষ্ট্রেলিয়ানা হিরম কয়াদা বৈজিংগী মখা পোন্দুনা লৈরিবনি। তৌইগুম্বসুং কানবেরানা ৱাশিংটনগা মিলিটরিগী ওইবা অনকপা মরী থম্নবগী ফিভমদা বৈজিংনা চিংনবা মীৎয়েংনা য়েংলি।

# ইজরেলনা জেরুসালেমগী শেংলবা মফম অমুক হন্না হাংদোক্কদৌরি

জেরুসালেম, জুলাই ১৬ (এজেন্সি): শাথিরবা এটেক অমগী মতুংদা থিংজিনখিবা জেরুসালেমগী লাইনিং লাইশোনশিংগা মরী লৈনবা শেংলবা মফম অমা ইজরেলনা নোংমাইজিং নুমিৎতগী নৌনা অমুক হাংলগনি হায়রি।



লিশাং শিংনা চহী কয়ামুক্কী মনুংদা ইহান হানবা ওইনা ইজরেলনা ইরাই নুমিৎতা মফম অদু ইজরেলগী আরব সিটিজন অহুমনা এটেক অমা পাওথোকখিবা মতুংদা থিংজিনখিবনি। আরব সিটিজন অহুমদুনা শেংলবা মফমদুদগী ওটোমেটিক খুৎলাইশিং শীজিন্নদুনা এটেক তৌবদা ইজরেলি পুলিস ওফিসর অনী শিখিবনি। তুংদা এটেক্কর অহুমদু কম্পাউন্দ অদুগী মনুংদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা কাপ্পুনা হাৎখি। নৌনা অমুক হাংগদৌরিবা ইজরেলনা থিংজিনখিবা শেংলবা মফম অদু মুস্লিমশিংনা 'অচৌবা অশেংবা মফম' হায়না খঙনৈ অমসুং জ্যুশিংনা তেম্পল মাউন্ট হায়না খঙনৈ।

প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটনরাহুনা হায়খি মদুদি, সিক্যুরিটি ওফিসলশিংগা কুপ্না তানরবা মতুংদা মফম অদু নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিলদা অহেনবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংশিংগা লোয়ননা অমুক হন্না হাংদোক্লগনি। অনৌবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংশিং অদুদা চঙফম গেটশিংদুদা মেটল ডিটেক্টরশিং থম্বা অমসুং অহেনবা সিক্যুরিটিগী কেমেরাশিং থম্বা য়াওরি। খোঙথাংশিং অসি খুৎলাই অমৎতা মনুংদা পুশিনবা য়াদনবগীদমক্তনি।

ইজরেলি ফোর্সশিংনা নোংমাইজিংগী অঙনবা সিক্যুরিটিগী অনৌবা থৌরাংশিংদুগা মরী লৈননা মেটল ডিটেক্টরশিংদু ইনষ্টোল তৌবা হৌখি। মফমদুদা য়াল্লবা মীয়াম্না লাই খুরুম্নবা লাক্কদৌরিবদু য়েংদুনা অনৌবা চেকশিন থৌরাংশিং অদুনা চৎথোক চৎশিন্দা অপনবা পীদুনা টেন্সন থোকহল্লকপসু য়াই হায়রি।

এটেক অদুনা মরম ওইদুনা নেটনরাহু অমসুং পলেষ্টিনিয়ন প্রসিডেন্ট মাহমৌদ অব্বাসকী মরক্তা তঙাইফদনা ফোনদা ৰারী শানবগী ফিভম ফাওবা লাকহনখি। অব্বাসনা এটেক অদুবু কন্দেম তৌখি অমসুং মফম অদু অমুক হন্না হাংদোক্লবা হায়খি। শেংলবা কম্পাউন্দ অদুবু ঙাক শেল্লিবা জোর্দাননসু মফমদুবু খুদক্তা অমুক হাংদোক্লবা অপীল তৌখি। নেটনয়াহুনা অথুবা ৰারেপ লৌরদুনা শেংলবা মফমদুগী হান্না লৈজরম্বা ফিভমদু অমুক হন্না হঞ্জিনহল্লগনি হায়না লাউথোকখি।

# লালনা মরম ওইদুনা চহী ৩ থিংলুরবা লিবিয়াগী এয়রপোর্ট নৌনা হাংখ্রে

বেনঘাজি (লিবিয়া), জুলাই ১৬ (এজেন্সি): বেনঘাজি সিটিদা লাল শোক্লবনা মরম ওইদুনা চহী অহুম চুপ্পা থিংজিল্লকখিবা লিবিয়ন সিটি অসিগী ইন্টর্নেসনেল এয়রপোর্ট কম্মর্সিয়ল ফ্লাইটশিংগী ওইনা অকনবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা থাংজ নুমিৎতা নৌনা অমুক হাংখ্রে।




বেনিনা এয়রপোর্টতগী পাইথোকখিবা অহানবগী ফ্লাইটশিং অদুগী পন্থুংশিংদি লৈবাক অসিগী কেপিটেল ত্রিপোলি, অম্মান, জোর্দান অমসুং লিবিয়াগী সাউথ ইষ্টর্ন সিটি কুফ্রানি। ইন্টর্নেসনেল এয়রপোর্ট অসিদা পাইরক্লবা অমসুং মসিদগী পাইখ্রগা থুংনবা সেদ্যুল্ড তৌরিবা অতৈ মফমশিংদি তুনিস, ইষ্টানবুল, অলেগজেন্দ্রিয়া অমসুং লিবিয়াগী নোংচুপ থংবা সিটি জিন্টামনি।

ফ্লাইটশিংদু ষ্টেটনা রন তৌবা কম্পেনি অনী লিবিয়ন এয়রলাইন্স অমসুং অফ্রিকিয়া এয়রৱেজনা ওপরেট তৌই।

বেনিনা অসি লিবিয়াগী অনীশুবা সিটি ওইরিবা বেনঘাজিগী নোংপোক হেক থংবদা লৈ। হৌখিবা ২০১৪ গী কালেনগী মতমদা নোংপোক থংবা শরুক্কী কম্মান্দর খালিফা হাফটরবু শৌগৎপা ফোর্সশিংনা ইস্লামিষ্টশিং অমসুং অতৈ ওপোনেন্টশিংগী মায়োক্তা মিলিটরি কেম্পেইন অমা হৌখি। মহাক্কী ফোর্সশিংনা রাইভলশিং অদুবু মখোয়গী অরোইবা লোৎফমশিংদা লাল শোক্লখিবগা লোয়ননা থা অসিগী অঙনবদা হাফটরনা কেম্পেইন অদুদা মায় পাক্লে হায়না লাউথোকখিবনি।

ট্রাভেলরশিং অমসুং এয়রপোর্টকী ষ্টাফনা মখা তানা লাব্রক এয়রপোর্ট তান্না চৎত্রবসু য়াবগী ফিভম লাকপদা হরাওবা ফোঙদোক্লখি। বেনঘাজিগী নোংপোক্তা কারদা পূং মরিরোম চৎলগা লৈবা এয়রপোর্ট অদু লাল মনুংদা লৈবাক অদুগী নোংপোক থংবা শরুক্তা বেনিনাগী মহুৎ শিনবা মরু ওইবা এয়রপোর্ট ওইরকখি।

হন্দক থা খরসিদা ওফিসল অমসুং কার্গো ফ্লাইট খরা বেনিনাদগী পাইবা হৌখিবনি। বেনিনাদা মিলিটরি এয়রপোর্ট অমসু লৈ। লাল মনুংদা হাফটরগী ফোর্সশিংনা এয়র ষ্ট্রাইকশিং চথদুনা মখোয়গী রাইভলশিংদা টার্গেট তৌবদা এয়রপোর্ট অসি শীজিন্নখি।

ত্রিপোলিগী ইন্টর্নেসনেল এয়রপোর্টসু ২০১৪গী লালদা অমাঙ-অতা থিনা থোকখিবদগী কেপিটেলগী ময়াই চবুক্কী মনাক্তা লৈবা অপিকপা সিটিগী এয়রপোর্টতগী ফ্লাইটশিং ওপরেট তৌরকখি।

# মোস্কোদা ডিপ্লোমেটশিং শাদুনা থবক তৌরিবা অমেরিকান স্পাই খরা তান্থোক্লবা খন্নরি - রসিয়া

মোস্কো, জুলাই ১৬ (এজেন্সি): ডিপ্লোমেটিক্কী থবকশিংগী মিংদা অমেরিকান স্পাই মশিং কা হেন্না মোস্কোদা ওপরেট তৌরি হায়না ফোঙদোক্লদুনা রসিয়ানা ইরাই নুমিৎতা হায়খ্রে মদুদি, স্পাই খরদি তান্থোক্লবগী ৰাফম খন্নরি।




ৱাশিংটননা হৌখিবা চহীদা রসিয়ন ডিপ্লোমেট ৩৫ তান্থোকখিবগী লমন খুম্বা ওইনা খন্নরক্লিবা থৌরাং অদু রসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপর্সন মরিয়া জখারোভানা ফোঙদোকখিবনি।

রসিয়াগী চেকশিন ৰারোল অসিনা হৌখিবা চহীদা রসিয়াগী ডিপ্লোমেট খরা য়ু এসনা ময়ূমদা থাখিবা মতমদা পাইশিনখিবা রসিয়ন ডিপ্লোমেটিক কম্পাউন্দ অনী অমুক হন্না শিন্নরক্লবা হায়বদা ট্রাম্প এদমিনিষ্ট্রেসনননা য়াদবগী মওংদা মোস্কোদা পেন্দবগী ইঙ্গিৎ অমা পী হায়রি।

মমাঙগী য়ু এস প্রসিডেন্ট বরাক ওবামানা হৌখিবা ডিসেম্বরদা রসিয়াগী স্পাইশিংনি হায়না চিংনবা মীওই ৩৫ তান্থোক্লবা ওর্দর তৌবগা লোয়ননা ডিপ্লোমেটিক কম্পাউন্দ অনীসু পাইশিনহনখি। হৌখিবা ২০১৬ কী প্রসিডেন্টগী মীখল মনুংদা রসিয়নশিংনা য়ু এসকী পোলিটিকেল গ্রুপশিংবু হেক তৌখি হায়না মরাল শিরদুনা ওবামানা ডিপ্লোমেটশিং তান্থোকপগী খোঙথাংদু লৌখৎখিবনি। অমরোমদা রসিয়ানদি ওবামানা শিরকখিবা মরালদু কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

প্রসিডেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা মতমদুদা খুদক্তা লমন খুম্বগী খোঙথাং লৌখৎতনবা ৰারেপ লৌখি। খুদক্তা লমন খুম্নবা হোৎনবগী মহুৎতা দোনাল্ড ট্রাম্পকী অনৌবা এদমিনিষ্ট্রেসনননা করি তৌ-রকপগে হায়বদু মহাক্না য়েংবা পামখি।

# সিনেটতা রিপব্লিকান হেল্থ ক্যের বিলগী ভোট লৌনবা থিন্থগদৌরি

ৱাশিংটন, জুলাই ১৬ (এজেন্সি): সর্জরি অমা পাওথোকখিবা অহল ওইরবা সিনেটর জোন মেকেইনগী হকচাংগী ফিভম ফগৎলকপা ঙাইবগী তঙাইফদবা লৈবনা সিনেটনা রিপব্লিকান হেল্থ ক্যের বিলগী ভোট লৌনবদা থেংথগদৌরি হায়রি।

ফিভম অসি সিনেটকী মেজোরিটি লিদর মিটচ মেককোন্নেলনা হৌখিবা থাংজগী অহিংদা কনফার্ম তৌখি।

মেককোন্নেলনা ত্বিটরদা ফোঙ-দোকখিবদা সিনেটনা মথং চয়োলদা অতৈ লেজিসলেটিভ ইসুশিং অমসুং নোমিনেসনশিংগী মরমদা থবক তৌগনি হায়খি। অমরোমদা মহাক্না মেকেইনগী মশা ফগৎলকপা ঙাইবা চঙবনা সিনেটনা বেট্টর ক্যের এক্ট খন্নবগী মতম থেংথগনি হায়খি।

করিগুম্বা মেকেইননা ভোট লৌনবদা য়াওদবা তারবদি বিল অদু খুদোংথিনিঙাই ফিভম মায়োক্লরকপা য়াই মরমদি মদু সিনেটতা পাস তৌবদা রিপব্লিকান সিনেটর ৫২ গী মনুংদগী ৫০ না শৌগৎপা চঙই।

মশাগী চহী ৮০ শুরবা মেকেইন ইরাই নুমিৎতা ওইথংবা মিৎকী মথক্তগী ব্লদ ক্লোট অমা লৌথোকখিবনি।

সিনেটর অসিগী ওফিসনা ফোঙদোকখি মদুদি, ব্লদ ক্লোট অদু চহীগী ওইনা ফিজিকেল ইগজামিনেসন পাওথোকপদা থেংনখিবনি। মদু ইরাই নুমিৎতা ফিনিক্সতা লৈবা মায়ো ক্লিনিক হোস্পিটালদা লৌথোকখি।

ভোট লৌনবদা থিন্থগদৌরিবদু কয়াম শাংননো হায়বা খঙদ্রি হায়না ন্যু য়োর্ক টাইমসনা ফোঙদোকখি।

সিনেটতা লেজিসলেসন অদু লৌখৎনবগী তারিখ অমা লিদর অসিনা লাউথোক্ত্রি হায়না মেকোন্নেলগী তেংবাংলোয় অমনা হায়খি।

চৈরকসিদা রিপব্লিকান সিনেটর অনী - মাইনগী সুজন কোলিন্স অমসুং কেন্টাকিগী রান্দ পোলনা লেজিসলেসন অদুগী মতাংদা দিবেট তৌনবগী মোসন শৌগৎপদা মখোয়দি য়াওরোই হায়খ্রে।

# দোনাল্ড ট্রাম্পনা মিদল ইষ্টতা মরা চেংহন্দবনি হায়না ইরান্না মরাল শিখ্রে



দুবাই, জুলাই ১৬ (এজেন্সি): হৌজিক মালেমদা উরিবা সিক্যুরিটিগা মরী লৈনবা থ্রেটশিং অসি দোনাল্ড ট্রাম্পকী অনিং অনিংবদা তৌনবা হোৎনবা অমসুং থাঙ্গৈ শেংনা লৈরিবা ফিভমগা তায়োন্নবা পোলিসিশিংনা থোকহনবনি হায়না ইরান্না থাংজ নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। ৰাফম অসি ফোঙদোকপগা লোয়ননা য়ু এসকী প্রসিডেন্টনা টেহরানবু 'পুকচেল শেংদবা ফৎতবা ষ্টেটনি' হায়না ফোঙদোকখিববুসু ইরাননা য়াখিদ্রে।

টেহরানবু তত্তনা মিলিটেন্ট গ্রুপশিং শৌগৎলি হায়না ফোঙদোকখিবা ট্রাম্পনা য়ু এসকী প্রসিডেন্টকী মীখলদা মায় পাকখিবদগী ইরান অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মরক্তা টেন্সন হেঙ্গৎলকখিবনি।

ট্রাম্পনা মশাগী অনিংবা অপান্বশিং অমসুং তায়োন্নবা পোলিসিশিং অমসুং থবকশিংদা য়েংজদুনা লোয়ননা ঙকচাও থেকপা, অকন অরিং শিংবা অমসুং মীগী লম লৌশিনবা পান্বা লমদম অসিগী মীচংশিংদা য়েংলগা মখোয়বু শিংনদুনা চঙশিন্নরকখিবগী মরম থিজিনগদবনি হায়না ইরানগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপর্সন বাহরম কাসেমিগী ৰারোল পল্লদুনা ইরানগী ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সি ইর্নানা হায়খি।

প্রসিডেন্ট ট্রাম্পনা শগোলশেন নুমিৎতা ফোঙদোকখিবদা নোর্থ কোরিয়া, ইরান অমসুং সিরিয়াগুম্বা লালহৌবা গ্রুপশিংবু শৌগৎপা অমসুং মখোয়দা শেন থাদবা পুকচেল শেংদবা ফৎত্রবা রেজিমশিংদগী মালেমদা অনৌবা থ্রেটশিং লাক্লিবনি হায়খি।

ইরানগী সিনিয়র ওফিসলশিংনা য়ু এসকী মীচং অমসুং লমদম অদুদা ইরানগী য়েক্লবা ওইরিবা সুনি মুস্লিম লৈবাক সাউদি অরাবিয়ানা মিদল ইষ্টতা মরা চেৎতবা ফিভম লৈহল্লিবনি অমসুং এটেক কয়া চথহল্লিবনি হায়না মরাল শিখি।

মখোয়না সাউদি অরাবিয়াবু মরাল শিরিবদুদা হৌখিবা থাদা টেহরানদা মীওই ১৮ হাৎখিবগী থৌদোকসু য়াওখি।

# পেরিস ক্লাইমেট একোর্দকী মতাংদা ট্রাম্পকী ৰারেপ হোংলকপা য়াবগী ইঙ্গিৎ লৈরে



পেরিস, জুলাই ১৬ (এজেন্সি): য়ুনাইটেদ ষ্টেটসপু পেরিস ক্লাইমেট একোর্দতগী ৱিথড্রো তৌনবা প্রসিডেন্ট দোনাল্ড ট্রাম্পনা লৌখিবা ৰারেপ অমুক হন্দোকখিবা য়াই হায়বগী থাজবা মঙোন্দা লৈ হায়না ফ্রান্সকী প্রসিডেন্ট ইম্মানুয়্যল মেক্রোননা ফোঙদোকখ্রে।

চয়োলগী ওইনা ফোংবা ফ্রেঞ্চ পাউচে অমনা মেক্রোনগী ৰারোল পল্লদুনা হায়খি মদুদি, ট্রাম্পনা মঙোন্দা লাক্লিবা থা খরসিদা সোলুসন অমা পুথোক্লবা হোৎনগনি হায়বগী থাজবা পীখি। লূচিংবা অনীনা চয়োল অসিদা পেরিসতা উনখিবগী মতাংদা পল্লদুনা মেক্রোননা পাউচে অদুদা ৰাফমসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাকপু পেরিস একোর্দতা অমুক হল্লকহনবা য়াগদবা হিরমশিংগী মতাংদা ঐখোয়না কুপ্না ৰারী শানখি হায়না মেক্রোননা মখা তাখি। পেরিস একোর্দনা মালেমগী মরু ওইবা নুংশিৎ শেংহন্দবা লৈবাকশিং ওইরিবা চাইনা অমসুং ইন্দিয়াগী মরমদা অকনবা ৰাফম অমৎতা পন্দে অমসুং য়ু এসকী ইন্দষ্ট্রিবুনা খুদোংথিবা ফিভমদা লৈহল্লি হায়না ট্রাম্পনা মমাঙদা হঞ্জিন হঞ্জিন হায়খিবনি।

ইরাই নুমিৎতা মেক্রোনগা ৰারী শানবদা ট্রাম্পনা ২০১৫ গী পেরিস ক্লাইমেট চেঞ্জ এগ্রীমেন্টগী মতাংদা লৌখিবা ফিরেপ হোংলকপা য়াবগী ইঙ্গিৎ পীখি। চহী অসিগী অঙনবদা মহাক্না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসপু এগ্রীমেন্ট অসিদগী লৌথোকখিবনি।

কুমজা ২০১৫ দা লৈবাক ২০০ রোম্না য়ানখিবা একোর্দ অদুদা কুমজা ২১০০ ফাওবগী মনুংদা মালেমগী শাবগী চাং সেলসিয়স ডিগ্রি ২ নৎত্রগা মসিদগী হন্থহন্নবগী পান্দম য়াওরিবনি। পান্দম অসি মরু ওইনা অচাকপা ফোসিল ফ্যুএলশিংদগী কার্বোন ডাইওক্সাইদ অমসুং অতৈ ফৎত্রবা পোৎশকশিং থাদোকপগী চাং হন্থনবা লৈবাকশিংনা মখোয় মখোয়গী ওইবা খোঙথাংশিং লৌখৎচবগী মওংদা ফংহনগদবনি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকীদমক্তা হেন্না ফবা দিল অমা খন্নবা পামই হায়না ট্রাম্পনা হঞ্জিন হঞ্জিন ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে।

# চেকশিলহৌদ্রবদি আই এস আই এসকী মকোক অমুক হাইগৎলকপা য়াই

লন্দন, জুলাই ১৬ (এজেন্সি): ইস্লামিক ষ্টেটপু ইরাক্কী মোসুলদগী তকথোকখিনবগী কেম্পেইন হৌগদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈদা গ্রুপ অসিগী প্রোপেগন্দাদা অচৌবা শাফু অমা পীখি হায়বসি ওবজর্ভরশিংনা য়াম্না থুনা কাওনবগুম তৌরি হায়রি।

টর্কিনা শৌগৎপা সিরিয়ন রেবেলশিংনা আই এস আই এসবু সিরিয়াগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা অপিকপা টাউন অমা ওইরিবা দাবিকতগী তকথোকখি। টাউন অসিদা জিহাদি জোন হায়না খঙনবা বৃটিশ এক্সট্রিমিষ্ট মোহাম্মদ এমৱাজিনা অমেরিকাগী এইদ ৱার্কর পিটর কাশিগপু মঙক কক্লগা হাৎখিবনি। এমৱাজিনা অমেরিকান এইদ ৱার্কর অদু হাৎপদা 'ঐখোয়না দাবিকতা ইহান হানবা অমেরিকান ক্রুসেদর ফুল্লি অমসুং অমেরিকান লান্মীশিং লাকপা ঙাইরি' হায়না ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০১৪ দা আই এস আই এসনা মকোক হাইগৎলকখিবগা লোয়ননা টাউন অসি গ্রুপ অসিগী প্রোপেগন্দা সেন্টর অমা ওইরকখি।

আই এস আই এসনা মফম অসিদা অফবা অমসুং ফৎতবগী ফোর্সশিংগী মরক্তা অরোইবা লাল শোক্লগনি হায়না চেৎনা ফোঙদোকখি। মফম অসি তশেংনমক তরেৎশুবা চহীচাদা ইস্লামিক লাইফাওশিংনা মাঙজৌননা ফোঙদোক্লম্বনি হায়না থাজনবা অচৌবা লানফম অমা ওইগদৌরিবনি হায়রি। আই এস আই এসনা মসিগী মরু ওইবা প্রোপেগন্দা মেগাজিন ফাওবা টাউন অসিগী মমিং লৌদুনা থোনখি।

দাবিকতা মায়থিবা নংলবা মতুংদা মোসুলনা মখোয়গী খ্বাইদগী চাউবা লানফম ওইগনি হায়না ইস্লামিক ষ্টেটনা ফোঙদোরকখি। অসুম্না ওন্থাং-ওনশিন তৌদুনা পাঙ্গল শাগৎপা ঙম্বগী ফিভমসি য়েংদুনা আই এস আই এসবু চেকশিন্না থেংনগদবনি হায়রি।

# হেন্না ফিভম শোকপা লম্বীদা লাকপা উরে : আর পি এফ

ঙরাংগী মখা...

ইন্দিয়া ময়াই লমদা মোদিনা য়াম্না পোপ্যুলর ওইরিবসিগী মরমদি খুৎনাং চারবা চহী ২০০/৩০০ শুরবা লৈঙাকপা বৃটিশ ইম্পরেলিষ্ট রেজিমগী চজিক অদু চাকশা ওন্থোক্তুনা ইন্দিয়ন ইম্পরেলিষ্ট দেমোক্রেসি কৌবা চাকলুক অমা পীজগনি হায়বগী মঙলান অমা মীয়ামদা থাগোন্নদুনা চৎপা ঙমহনবদগীনি। ইশম শম্না মোদি বি জে পিনা নিও ইন্দিয়ন পোপ্যুলর কম্মন সেন্স অমা শেম্বা ঙম্লে অমদি হায়রিবা মখোয়গী অদুগুম্লবা অনকম্মন সেন্স অদুনা ৱেষ্টর্ন সাউথ এসিয়া লমদমদা অদুগা মখোয়গীনা অৱাং নোংপোক লমদমদা হুমদুনা পোপ্যুলর কম্মন সেন্স ওইহল্লকপা ঙমহল্লে হায়বসিনি।

ইন্দিয়ন ইম্পরেলিষ্ট দেমোক্রেসি নৎত্রগা বি জে পি হিজিমোনিগী য়াম্না মরুওইবা খোঙহৌ, খুৎথা, মচাক অমা লৈ। মদুদি হান্নগী অতোপ্পা ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টকী লৈঙাক্না মান্নহন্দনা বি জে পিনা তমথিবা অকক্লবা পাৱর শীজিন্নবা য়ানবগী খুদোংচাবা ফঙনবা লনগৈ অমদি ফিভম শাগৎলকই। মতাং চানা চৎনরিবা লৈবাক্কী লোনা য়াবা ষ্টেট পাৱর শীজিন্নৈ। এগজিক্যুটিব পাৱর কয়াগা লেঙ্গোন্ননা চৎমিন্নদুনা ষ্টেট ইন্সটিট্যুটশিং ওইরিবা মখোয়গী লৈঙাক্লোনগী খুবামনুংদা থম্নবা লাক্লবা অসিনি। অহানবদা এদ্যুকেসন অমদি কলচরদগী হৌরগা দিফেন্সনচিংবা মরু ওইবা কাঙলোনশিংদা খুৎ চেকশিন্না থাদুনা থাজবা য়াবা মীশকশিং নৎত্রগা এজেন্টশিং খন্দুনা মখোয়গী এজেন্দাশিং পাওথোক্লবা লাক্লে। পুম্ন মকসিগী মথক্তা লৈরিবা লৈঙাক্না য়াবা লিগেল পাৱরশিং লাই খুৎশাংবীগুম মখুৎ শাংদোক্তুনা মশাগী পাৱর শাংদোকহন্দুনা অশাং অশাংবা দিসিজন নৎত্রগা নম্ফুগী ৰারোইশিন কয়া শেম শাবা ঙমহল্লি। খুদমদি, হৌখিবদা অরুনাচল প্রদেশ অমদি উত্তরাখন্দদা হান্না লৈঙাক্লিবা গভর্ণমেন্টশিং ইন্থুদুনা মখোয়গী লৈঙাকশিং লীংবা ঙমহল্লি। নৌহৌননা মণিপুর অমদি গোৱানচিংবদা লৈঙাক লাকহনখিবা অসিনি হায়নসু মখা তারি।

মণিপুরদা হায়বা ইনবা লৈঙাক শেমগৎতুনা লৈঙাক চথবগী শঙ শঙ উবা খুদমশিংদি, লমদম অসোমগী লম (লেন্দ) অমদি রিছোর্সশিং ঐখোয় ইশাগী লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা ঙমদ্রিবা, প্রোজেক্ট কয়া হকথেংননা খুৎ থিংজিনবা ঙমহন্দবা হায়বদি য়াম্না খুৎ চঙবা প্রোসিদ্যুয়র কয়া পর্মিসন লৌহনবা, ঙরাং নহান্দসু ইম্ফাল ৱেষ্টকী মফম কয়াদা থাউ থিবগী থবক কয়া চথরিবা অসিদসু ষ্টেট গভর্ণমেন্টপু কুম্মৈ য়েংবগুম লৈহল্লিবা, হান্নসু তিমাইমুখ অমদি ভঙ্গাই রেঞ্জনচিংবা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী অরাপ্পা মফমশিংদা থাউ থিবদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টদি পাউচেগী পাউ তাহনবগুম থোক্লিবনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ওবজেক্টিব ওইনা হায়বা অমদি য়েংলবদা মীয়ামগী অমদি সোসিওলোজিকেল ওইবা মীৎয়েংদা য়েংলবসু য়েলহৌমী মীয়ামগীদি লম (লেন্দ) হায়বসি কাঙলুপ অদুগী আইদেন্টিটি, সিক্যুরিটি, এক্সিজেন্সনি। মখা তানা হিংদুনা লৈনবগী মরমনি হায়বদি সবষ্টিটেন্স অমদি পুন্সিগী হৌরকফমনি হায়বসিনি। লমদম অসোমদা চথরিবা কাঙলোন অসি লৈঙাক্কী খুথাংদা এক্সপ্লোইটেসন চথবনি হায়বসিদি ককপা য়াদ্রবা ৰাফম অমনি।

ব্লেক লো কয়া থমজিন্দুনা কুইরবা চহী কয়া অসি লমদম অসোমদা জেনোসাইদ অমদি ইন্টর ইথনিক কনফ্লিক্ট থোকহন্দুনা মীশি মীনা থোকহল্লিবা, ষ্টেট বাউন্দরি থুগায়নবা হোৎনদুনা দিভাইসিব পোলিসি চথদুনা দিভাইদ এন্দ রুল মখা চথরিবা, দেমোক্রেটিক ওইবা ইন্টরনেসনল লোগী মখাদা চথরিবা রাইট টু সেল্ফ দিটর্মিনেসনগী শকখঙবা ঙমদ্রিবা, হকথেংনবা সরপ্লস পোপ্যুলেসনগী থৌওংনা মীতোপ মীয়ানচা কয়া য়ুম হোংলক্তুনা দেম্মোগ্রাফিক টেরর থোকহনবা, লমদম অসোমগী ষ্টেট দোমেষ্টিক প্রদক্টশিং স্মোল স্কেল অমদি কোটেজ ইন্দষ্ট্রি, লৌ-শিংউগী পোথোকশিং থুগায়দুনা মাঙহনবা মসিনা পর কেপিটা ইনকম শোকহনবা লোয়ননা মসিনা হেন্না হেন্না মীপান তাংহন্দুনা কেপটিব ইকনমি অমা চথরক্লিবা অসিনি হায়নসু মরাল শীরক্লি।